HUEIYEN LANPAO

Tuesday, March 01, 2022, Imphal



# মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা-থোইবী ৱারীগী মনুং চন্না অহল লমনশিংনা লীবীরম্বা খেন্নবা মতাং খরা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মণিপুরী ফোকলোর শীংথারকপদা মোইরাং কংলৈরোলগী শাইওন ৱারীশিংবু নাথৈদুনা থল্লম্বদি কৈদৌনুংদা ওইথোক্তে। শীংথানরিবশিংগী মনুংদা খম্বা-থোইবী ৱারীনা থোইনা হেন্না মতিক ময়াই লৈবনি। পেনা অমদি খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্তা শৈথাবা, অহল লমনশিংনা চীনবুং ৱারী ওইনা লীবিরম্বা, কাইনথংদা অইবা লাইরিক ওইনা হায়বদি মহাকবি হিজম অঙাংহলগী ***খম্বা থোইবী শৈরেং,*** ওজা সরাংথেম বরমনিগী খুথাশিং, ডা. কামিনী কান্তগী ***খম্বা থোইবী শৈরেংলোন' য়েলহৌ*** পনবা য়াই। পূন্নমক অসি মণিপুরী খুন্নাই অসিগী ওইনদি চাউথোকচনীংঙাইনি। খোরিরোল অমদি ফোকলোরগী পুক্কে লনগৈবু মবুক থনবী ওইহল্লি। খম্বা থোইবী ৱারী মতাং কয়াবু পেনা অমদি খোংজোম পর্ব্ব শৈহেক্তা শৈথারকপদা অতাবা খুদিংমক্কী থম্মোয়বু হুমদুনা পুখিবনি। নোকহনবা, কপহনবা, লাঙতক্লহনবা, খোইরাং-খোইশাওনহনবা, অকি-তুজুংবা পোকহনবা, নুংওনহনবনচিংবা মখল মথেল মচল শুনা তিল্লবা শৈথাশিংনি। অসিগুল্লবা মহাউ অসি লাইরিক ওইনা থম্বীরম্বশিংনসু পীবা ঙম্মী। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা অহল লমনশিংনা খম্বা - থোইবীনচিংবা মোইরাং কংলৈরোনগী শাইওন ৱারী কয়া অমসু লীবিরম্মী। ঐখোয়গী অবোকশিং ইবেনশিংদো অদুক্কী মতিক নুংশিরকই। ফনমক মথৌ চিনবী ওইদুনসু নুমিদাংগী মতমদা মোইথাপ নাইরিঙৈ নৎত্রগা তওৎ-তমংদা লংখাই শেম্না শেম্না লীবিখিবা ৱারীশিংদো ঙসিদি মমল কয়াগী মতিক ৱাংলমখ্রবা। মখোয়না তাহনবীখিবা খম্বা থোইবীগী ৱারীদা তোপ তোপ্পা মহাউ য়াওই হায়বসি অঙাং ৱাখল ওইখিবনা মতমদুদদি খঙবা ঙমখিদে। ঙসিদি খঙলক্লে, ৱারীশিংদুগী ওইবা তোঙানবা মশক অমদি ৱারী পরিং মতাং খরা য়াওই।

ইবেনখোই অবোকখোয়না লীবিরম্বা ৱারী অহুম মরিদং থমজগে। মোইরাংগী অথৌবা পুরেম্বগা ঙাংখলৈমগা থুংনখিবগী ৱারীনি। পুরেম্বনা ঙাংখলৈমবু মশামক্কী তালোয় ওইজগে হায়বগী ৱাখলদা পুরকখি। লাইবক থীবদি মপু মোইরাং নিংথৌনা ঙাংখলৈমবু মীৎয়েং তাখি। পুরেম্বা পাম্বে লৈখিদে। নুংশি নুংশিনা থাদোকপা তাখ্রে। খোইদাজরুবী মহাক্তু মপু মোইরাং নিংথৌগী লৈমশীংদা চনখ্রে। লাইনিংথৌ থাংজিংনা শান্নবা কুম্মৈবু তাইবঙ কনানা থিংবা ঙম্বগে? মতম খরগী মতুংদা পুরেম্বনা তোর্ব্বুংদা কৈ তরেৎ ফাবা মতাংদা মপু মোইরাং নিংথৌদি পেনবগী ঙমখৈ নাইখিদে। পুরেম্বদা তাকপীরকখি - "নহাক্লা অপাম্বা হায়য়ু মনা ওইনা পীথোক্কে।" পুরেম্বনা অপাম্বা ফোঙদোকউ হায়বা ময়াদ্রবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা ৱাশক্তুনা অপাম্বদু পীগনি হায়না তকশিল্লম্মী। কায়নথংদা নিংথৌগী লৈমশীংদা চনখ্রবী ঙাংখলৈমা নত্তনা অতোপ্পা অমা নিজরোই হায়রকখি। হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা লৈবাক মপুনি। ফীরুক খুমজিল্লগা লৈরিবী লৈমশিংগী মরক্তগী ঙাংখলৈমবু খন্নবা থৌজানবীরম্মী। লৈমশিংগী খোঙবী য়েংলবা মতুংদা ঙাংখলৈমবু খন্দুনা নীংজবদু থুংখি।

অতোপ্পা তাজহৌবা ৱারী অমদি মতৌ করম্না পুরেম্বনা মাগী চান্নরবা মরুপ থোংলেনগী মখূত্তা নোংগাখিবগে হায়বা মতাংনি। কপসু য়াম্না কপনীংখিবা, খোয়শাওনবসু ফাওহনখিবা ৱারীনি। মতমগী খোঙচৎ মতুংইন্না মপারী খম্বা তাইবঙদা খোঙদারকখি। পুরেম্বা হরাউবনা পন্দোম লোল্লম্মী। লৈবাক মীয়াম খঙহন্নীংবনা নোং ঙানবা ঙাইঙমখিদে। মতিক ময়াই লৈরবা পুংজাও অদু থীল্লুরে। ইচম চম্বা পুঙজাও নত্তে, পুঙগী পুঙলোন মখল মখা কয়ানি। পুঙলোন খুদিংমক্লা তোঙান তোঙানবা পাউজেল তাক্লরল্লিবনি। নোংদম্বগী নোংদমখোন অঙকপনি। হরাউ নুংঙাইবগী মনিলনা ইকোম কোমথোক্লুরে। শাবাউ লানবাউগী পুঙখোন দা চেকশিনহৌদ্রবা পুরেম্বনা পুঙদো য়ৈরম্মী। পুঙখোন্দুনা মোইরাং মীয়াম্বু অকি তুজুংবা পোকহনখি। শাবাউ লানবাউ তাবা য়াদবা অদুক্কী মতিক ফিংখ্রবা থোংলেন অঙম্বনি, য়েক্লবনা লান্দারক্লে হায়দুনা লান চৎননবা শেম শারম্মী। লানগী মমি উদ্রবদা থোংলেন্দি শাউবনা মৈ হৌখ্রে। অসুম্না ৱাশক্লম্মী - "অচ্চচা লাকচৈদা ! ঙসিগী নুমিত্তা লমহেনবা কনানো ! লৈবাক নিংথৌ অঙম অথৌশিং অমদি লৈবাক মীয়াম্বু অসুক য়াম্না উশিত্তবা! খঙগনিদো শরিশো! পুঙজাও য়ৈরম্বা মীশক্তু ঐনা লেম্না থাররোই। ঐগী থাঙলেন অসিনা মাগী লুরেন কক্তুনা মথ্বায় অদু লৌরগে!" ***মীনা শিবনা চিন্দা শানা শিবনা খোঙ্গুলদা*** হায়বা পাউরৌ অসিদা থায়না মমাঙঙৈদা লৈরম্বা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী ৱাখল অমদি থৌওং থৌচৎকী মমি ময়েক লানা তারি। খোংবান অমা চোংবদা শরী ৱাশক কোকই হায়বা হৌজিক মতমগী লোনচৎ অসি নত্তে। মীওই অয়াম্বনা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লরম্মী। থোংলেন অথৌবগী মফমদসু মদুমক থোক্লম্মী। পুঙজাও য়ৈরম্বা মীশক অদু মহাক্লা খ্বাইদগী লুনা চান্না নীংজবা নুংশিবা মরুপ পুরেম্বা ওইরল্লবসু শক্তোকখিবা ৱাশক অদু থুগাইখিদে। পুরেম্নবসু ফংফম থোক্লবা চৈরাক্লি খন্দুনা অদুম্মক য়াখিবনি। মরুপ অনী পুকমেন পাউমেন্নরবা মতুংদা কপ্না কপ্না থোংলেন মখূৎমক্কী থাঙলেন অদুনা পুরেম্বগী মঙক ককখি।

নুংওল্লবা ৱারী অমসু তাজহৌই। তুমুরাকপগী মমোম শন্দ্রিক চংনীংখোম্বী অমদি চীংখুবগী মমোল্লোই মজাইবেম্মা থোইবী অনীগী মমাঙদা ওইখিবা মপোক লাংওনগী ৱারীনি। মপাইবুংঙো চিংখুবগী চৈরাকনি, থোইবীবু কবোদা লোই থাখি। কবোদা লৈরিঙৈদা শন্দ্রিক চংনীংখোম্বীনা থোইবীবু অদুক্কী মতিক কল্লক মিহৌরম্মী। কল্লক মিহৌবগী চাং হেনমনখিবনা হৌনদবা লোনচৎ কয়া চংনীংখোম্বীনা চৎলম্মী। অয়াম্বা মতমদা মজাইবেম্মবু মাগী মীনাইনুবী অমগুম্না লোয়নরম্মী। মাগী থৌদা মতুংইন্না থোইবীনা চীংদা কাদুনা শীং চনবা, পাত্তা কুমদুনা লোং খোনবনচিংবা তৌরম্মী। অদুবু লাইরেম্মগী শাইওন ওইবী থোইবীগী মতিক ময়াই খঙলক্লবা মতুংদা চংনীংখোম্বীনা মাবু ঙাকপীনবা হায়জরকপা মতমদা মপোক লাংওন অমগী ৱারী লীদুনা মখোয় অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু মমা মচাগী ওইবনি, তরাই তরাইবা নত্তে হায়বদু খঙহনখি। লাংওন ৱারীদু থমজরি - "অদুঙৈ পাম্থোইবীনা খাবা ময়ূম থাদোক্তুনা নোংপোক নিংথৌগা লোয়ননা চেনমিন্নখি। মখোয় অনীবু কোয়তান তান্নরিবা খাবা কাঙবু উদনবা তোঙান তোঙানবা মফমদা কোয়রোৎ লোত্তুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা পাম্থোইবীগী শিয়োম্নুংদগী মমোম অমা ইরুম তুরেন মপান্দা পোকখি। ফিভম্না য়াদবনা অঙাং অদু থল্লম্লগা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখ্রে। অদুগুম্লবা মমাগী খোল্লাং থকপা ফংজখিদ্রবী অঙাং অদুগী লাংওন ওইবা শন্দ্রিক চংনীংখোম্বীনি। মচাবু খোল্লাং পীথকখিদবগী লমনদু কোক্লনবা পাম্থোইবীগী শাইওন ওইবী থোইবীনা মচা চংনিংখোম্বীগী মীনাই ওইবনি হায়না শেংদোকখি। মতৌ অসুম্না হৌখিবা মপোক লাংওনগী ৱারী লীনদুনা মমা মচা কোন্নরগা কপমিন্নখি।"

তাজহৌবা ৱারীদা খম্বা থোইবীগী পোলোইসু থম্মোয় শোকপা মতাংনি। অৱা অনা কয়া মায়োক্লদুনা শিনীংচিত্তা ৱাইথুংনদুনা নুংশি পন্থুং য়ৌমিন্নখ্রে। খম্বনা নুংশি চাংয়েং পাঙথোক্লম্মী। মক্ত্রবী থোইবীগী থম্মোয়বু মৈ ঈক্তুনা য়েংনীংলম্মী। নুমিদাংগী মতমদা অতোপ্পা লম্লানবা নুপা শারগা লাক্লম্মী। সতি ওইবী থোইবীনা থাঙ ছুরি লংথোরকপদা পান্দুনা খম্বা থৱায় মাঙখি। কাইনথংদা মপুরোইবা খম্বনি খঙলবদা থাঙ ছুরি অদুমক্লা মথন্তা থিনজিনজরগা মপুরোইবগী মতুং ইন্দুনা নোংদোন লাইরৈবাক্তা কামিন্নখি। অহলশিংনা হায়বীরম্বদা লাইগী শাইওন ওইবা মরম্না মখোয় অনী মীরল্লেন্দা কুইনা লৈবা য়াদবগীনি হায়। মতৌ অসুম্না লাইরিক, শৈথা, চীনবুং ৱারীনচিংবদা খেন্নবা মতাং খরা লৈরম্বসিনা খম্বা থোইবীগী ৱারীবু থোইনা হেন্না মতিক ময়াই লৈহল্লি। ●

# ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগতগী লাপথোক্লা লৈরবা মতমদতা ঐচ আই ভিদগী লাপথোক্লা লৈবা ঙমগনি

-ডা. খাইদেম অথৌবা -

মালেমদা খ্বাইদগী শাথীবা লায়না অমনি হায়না লৌনরিবা অমদি ঙসি ফাওবদা লায়েংবা ঙমদ্রিবা ঐচ আই ভি/এইদস লায়না অসি মণিপুরদদি কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লে হায়বা ফাওবা য়ারবনি। অদুবু লমদম অসিদগী ঐচ আই ভি/এইদস মরূ ফংনা মুখৎসি হায়রবদি লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ মপূং ফানা থিংবগী তঙাইফদবা লৈরে। ঙসি-ঙসিমকসু মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া দ্রগ শীজিন্নবগী চাওনা মমি তারি। ষ্টেট অসিগী ওইনা ঐচ আই ভিনা নারবা মীওইগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলিবা মফম অসি চুড়াচান্দপুরনা ওইরি। অদুগা অনীশুবদনা উখ্রুলনা ওইরি। ঐচ আই ভি শন্দোরকপগী লম্বী কয়া অমদি লৈ। অদুবু হায়রিবা মফমশিং অসিদদি মরুওইনা ঐচ আই ভি শন্দোরকপগী অচৌবা মরম হায়রগদি আই দি য়ু শীজিন্নবা অমদি অরানবা মওংদা যূম্বানবগী মরী থম্বনা ওইরি হায়না উখ্রুল অমদি চুড়াচান্দপুরগী হোস্পিটালশিংদা থবক তৌরিবা দোক্টরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়াম্না লুরিবা ফীভম অমনা হৌজিক-হৌজিক মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা টুরিষ্ট সেন্টরশিংগী নাক-য়েৎতা লৈবা মী কুঙনা তাদবা মফমশিংদা দ্রগ কাপ্লম্বগী অহাঙবা সিরিঞ্জ কয়া অমা তাদুনা লৈরম্বগী থৌদোক-ৱাথোক লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা পূন্নমক্লা থিংননবা হোৎনদ্রগদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ঐচ আই ভি/এইদস লায়না মপূং ফানা মুখৎনবগী থল্লিবা পান্দম অসি থুংবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈগনি। মরম অদুনা লায়না অসিবু মখা তানা শন্দোরক্তনবগীদমক মখল-মখা কয়াগী থৌরাং থৌশিল য়াৎতুনা থবক তৌরিবা এন জি ওশিং অমদি মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরি।

হৌজিক-হৌজিক উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ঐচ আই ভিনা নারবা মীওই ২,০০০ রোম এ আর টি হীদাক চাদুনা লায়েং পথাপ চথুরি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী অপূনবা মীশীং অসি কুমজা ২০১১গী সেন্সসকী মতুংইন্না মীওই ১,৮৩,৯৯৮ ওইরি। মসিগী মনুংদা ঐচ আই ভি লায়নানা নারে হায়না কনফর্ম তৌদুনা লায়েং পথাপ চথুরিবা মীওইগী মশীং ২,০০০ ওইরকপা হায়বসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইবা মশক অমনি। হেন্না লাইবক থীরিবদি হায়রিবা ঐচ আই ভি লায়নানা নাবগী মশীং ৱাংনা লৈরিবা অসি হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম হেনগৎলকপা য়াবগী মমি চাওনা তারি হায়নসু দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোরকখিবা লৈরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মণিপুরগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ কাপ্পা-চাবগী চাং হেনগৎলকপনা ঙসি-ঙসিমক রিহেবিলিটেসন সেন্টর কয়া হাংদোরক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকপগী পাউ মীয়াম্নসু তারি। রিহেবিলিটেসন সেন্টর খরনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ শীজিন্নরিবা নহাশিংবু অনৌবা পূন্সি মহিংদা পুরকপা ঙম্নবগীদমক হোৎনরি। অদুবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ শীজিন্নবগী চাং নোংম-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা লমদম অসিদা রিহেবিলিটেসন সেন্টর কয়া শৌগ্রি য়ুংবগুম মফম কয়াদা লিংখৎনরক্লি। মসিনা তাকপদি লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়বসি ময়েক লারবা খূদম অমনি।

ঐচ আই ভি/এইদস লায়না মণিপুরদা কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লে হায়রবসু ঙসি লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপনা অরুবা ফীভম অমদা অমুক লাকখিবা য়াই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী এন জি ও অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না নৈনবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনবগী এৱ্যেরনেস পীবগী তঙাইফদবা লৈরে। করিগুম্বা



ঙসি ঐচ আই ভিগী লায়না অসিদগী লাপথোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয়গী মণিপুরগী তুংগী ফীভম য়াম্না লুশিল্লক্কনি। তুংগী মীরোলনি হায়নরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি থিংহৌবা য়াম্না মথৌ তাই। মসিদগী লাপথোক্লা লৈসি হায়রগদি মমা-মপা ওইবশিং অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবা অমা মথৌ তাই হায়বসি হীরম অসিগী মতাংদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঐচ আই ভি লায়না লমদম অসিদগী মপূং ফানা মুখৎলসি হায়রগদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগ লল্লোনবগী থবক তৌরিবা অসিদসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা থিংবগী তঙাইফদবা লৈ। লায়না অসি শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম ওইরিবা দ্রগ কাপ্পা, চেকশিন থৌরাং য়াওদনা যূম্বানবগী মরী থম্বা, হোমো/বাইসেক্স্যুএল, ঈদগী ঈদা শন্দোকপা, ইনফেক্টেদ সিরিঞ্জ অমদি নীদল শীজিন্নবা লোয়ননা পেরেন্টস টু চাইল্ড হায়রিবা মরমশিং অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীং-তমদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্তা মরিক চুম্না তাকপী-তম্বীবগী তঙাইফদবা লৈরি। ইনখৎলক্লিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহাশিংসু লায়না অসি মতৌ করম্না মী অমদগী মী অমদা শন্দোকই খঙলবসু ঙাইহাক্কী অনীংবা-অপাম্বা ফাথহৌদবদগী লায়না অসিনা নারক্তুনা অৱাবা পূন্সি মহিং অমদা হিংবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। লোয়ননা মরাল লৈজদ্রবা নুপী কয়াসু মচা য়াওনা মপুরোইবনা মরম ওইদুনা লায়না অসিনা নাদুনা মীমান্নদ্রবা পূন্সি মহিংদা হিংদুনা অৱাবা কয়া খাঙবগা লোয়ননা খুন্নাইগী মীনোক মৈশাগা লোয়ননা হিংলি। মসি পূন্নমক অসি ঐচ আই ভি/এইদসকী এৱ্যেরনেস ৱাৎপদগী থোক্লকপনি। লায়না অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা হোৎনসি হায়রবদি তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদা পূন্না চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। সাইন্সকী চাউখৎলকপগী মতুংইন্না ঙসি লায়না অসিনা নারবসু যূম্বান মরী থমদুনা মখোয়না পোক্লকপা অঙাংশিংদা ফাওবা লায়না অসিনা নাহন্দবা য়ারে। অদুম্মকপু লায়না অসিনা নারকপদগী ইমুং-মনুংদা অচৌবা চৈথেং পীবতা নৎতনা খুন্নাই অসিদসু শকউদবা মাঙজবা কয়া অমসু থোক্লিবনি।

সান ফ্রান্সিস্কোদা লৈবা কালিফোর্নিয়া য়ুনিভর্সিটিগী ঐচ আই ভি/এইদসকী এক্সপর্ট অমা ওইরিবা প্রোফেসর ষ্টিভেন দিক্সনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অমেরিকাদা লৈবী এইদসনা নারবী নুপী অমা বোন মেরো ট্রান্সপ্লান্টকী মতেংদগী ফহনবা ঙমখ্রে। অদুবু লায়েং পথাপ অসি মীওই খূদিংদা চথুবা য়াদবা মরম্না ঙসিসু অদুম্মক লায়না অসিগী চপ চাবা হীদাক অমা পুথোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তারি। মালেমদা ঐচ আই ভিনা নারবা মীওইগী মশীং অসি ঙসি ফাওবদা চাওরাক্লা মিলিয়ন ৩৮ রোম লৈরি। মসিগী মনুংদা চাদা ৭৪দি লায়না অসিগী লায়েং পথাপ চথুরি। হৌজিকমক্কী ওইনদি লায়না অসিগী ওইবা চপ চাবা হীদাক পুথোকপা ঙমদ্রিবা মরম্না লায়না অসি চঙলক্তনবা হোৎনবা অমদি শন্দোরক্তনবা হোৎনবা নৎতনা অতোপ্পা পাম্বে লৈতবা মরম্না সোসাইটি অসিদা হিংমিন্নরিবা মীপূম খূদিংমক্লা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নদুনা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। লায়না অসি চঙদনবগী পাম্বে পূন্নমক্লা হেন্না খঙনরবা ৱানি। তৌবতবু ঙাইহাক্কী অনীংবা-অপাম্বা ফাথহৌদবদগী লায়না অসি শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম ওইবনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমদি অঙাংশিংদা ফাওবা মতৌ করম্না মীওই অমদগী মীওই অমদা লায়না অসি শন্দোকই হায়না তাকপী-তম্বীবা তঙাইফদে। লোয়ননা এৱ্যেরনেস পীবগী মথক্তা স্কুল, কোলেজগী সেলেবসতা ফাওবা হাপ্তুনা খঙহনবগী মথৌ তাই হায়বসি লায়না অসিবু শন্দোরক্তনবা কন্না হোৎনরিবা মীওই কয়াগী মোতনি।

মণিপুরদা লায়না অসি পাক শন্না শন্দোরকখিবা অসি হৌখিবা চহী খরগী মমাংদদি দ্রগ পূন্না-পূন্না কাপমিন্নবনা অচৌবা মরম অমা ওইরমখি। অদুবু দ্রগ পূন্না কাপমিন্নবদগী লায়না অসি শন্দোরকপনি খঙনরকপদগী ঙসিদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা তোঙান-তোঙানবা সিরিঞ্জ শীজিন্নদুনা দ্রগ কাপ্পগী থবক্তি অদুম্মক চথনরি। অদুমওইনমক দ্রগনা লাঙ্গোয় চল্লক্লবা পূন্সি অমা ওইরক্লবা মতমদদি অফ-ফত্তা খন্থবগী চাং হন্থরকপা মরম্না অরানবা পাম্বে শীজিন্নরক্তবসু য়াওদবা নত্তে। মদুনা লায়না অসি শন্দোরক্লবগী মরম অমা ওইহল্লি। হৌজিক মণিপুরদা য়াম্না লুশিল্লক্লিবা ফীভম অমা হায়রগদি দ্রগ শীজিন্নবগী মথক্তা ইনখৎলক্লিবা নুপীমচা অমদি নুপামচাশিংনা নুংশিনরিবনি হায়দুনা লোন্না-থুপ্না চেকশিন থৌরাং য়াওদনা যূম্বানবগী মরী থম্বগী চাং হেনগৎলকপা অসিনসু লমদম অসিদা ঐচ আই ভি/এইদস শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। মরম অদুনা অহল-লমনশিংনা মচা-মশু ওইবশিংবু য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবগা লোয়ননা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা ইকাই হঙ্গোয় থাদোক্তুনা তুংগী য়েংলগা তাকপী-তম্বীবগী তঙাইফদবা লৈরে। মণিপুরদা থোকখিবা কেস খরদা পোজিটিভ ওইরবা মমা-মপানা পোক্লকপা পোজিটিভ ওইরবা মচা অদুনা লোৎশিল্লবা মতুংদা মহাক্লা নুংশিনজবা অমদি নুংশিনজবী মীওইশিংগা যূম্বানবগী মরী থল্লুবদগী পোজিটিভ ওইরকখিবগী কেস থোকখিবা য়াওদবসু নত্তে। মরম অদুনা পোজিটিভ ওইরবা মমা-মপাশিংনসু পোজিটিভ ওইরবা মচাশিংদা মরুপ-মপাং লোয়নবদা করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি অমদি মহাক্লা তৌগদবা থবকশিং মচা খায়না তাকপীবগী তঙাইফদবা লৈ।

লমদম অসিদগী ঐচ আই ভি/এইদস লায়না মপূং ফানা মুখৎলসি হায়রবদি অহানবদা লমদম অসিদা দ্রগ শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা, যূম্বানবগী মরী থম্বদা চেকশিন থৌরাং তঙাইফদনা লৌখৎহনবা অসি য়াম্না মথৌ তারি। হায়রিবা মরম অনী অসি য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবা ঙল্লবদি ফনা য়াম্না লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি। লায়না অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নবগীদমক মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স)নসু কুমজা ১৯৯৬কী ওক্টোবর ৩দা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা ষ্টেট এইদস পোলিসিগী মখাদা কুমজা ১৯৯৮গী মার্চ থাদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাকখি। মদুগী মহয় অমা ওইনা লায়না অসি মণিপুরদা কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লকখিবনি। অদুম্মকপু মেক্সনা ফনা য়াম্না হোৎনরবসু অমদি লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা ষ্টেট এইদস পোলিসি শেল্লবসু লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ-ফুরুপ খূদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা হোৎনমিন্নদ্রগদি লায়না অসি অদুম্মক লৈখিগনি। মসিগী চাওরবা খূদম হায়ববু ঙসি-ঙসিমক মণিপুরগী অনকপা অমদি অথাপ্পদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ঐচ আই ভি/এইদস লায়নানা মীওইবগী পূন্সি অতেনবা মতমগী মনুংদা পীখম্নহল্লি হায়না খঙনরবসু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তঙাইফদনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মমি তাদ্রি। খূদম ওইনা হায়রবদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা লায়না অসিনা নারক্তনবা করি-করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগে হায়না উনরুবদা অয়াম্বা নহাশিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকখিদে। মসিমক য়াম্না চিংননিংঙাই অমা ওইরি। এইদস মুখৎসি হায়রবদি অহানবদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমদি মমা-মপাশিংদা লায়না অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা এৱ্যেরনেস পীবা য়াম্না মথৌ তারি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### তেন্থাদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী ৱর্কর থাঙনা য়ান্দুনা ফূরম্বগী ৱাহৌদা মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস):

ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি মনুং চনবা তেন্থাদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবদা মশক খঙদবশিংনা বি জে পিগী ৱর্কর অমা অমসুং কোংগ্রেসকী ৱর্কর অনীদা থাঙনা য়ান্দুনা তমথীনা ফূরল্লে হায়রি। থৌদোক অদুবু কোংগ্রেসকী ৱর্করশিংনা তৌরম্বনি হায়না মরাল শীরকপগী মায়োক্তা মীয়াম্না ঙসি অয়ুক তেন্থা মথক লৈকাই ৱেটিং শেদতা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মশক খঙদবশিংনা ফূরম্বদগী শোক্লবশিং অদুদি তেন্থা তুৱাবনদগী বি জে পিগী পোল্লিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়েন্দ্রম্বম তোম্বা অমদি মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা কোংগ্রেসকী ফিরাল য়ুংদুনা লৈরিবা কোংগ্রেস ৱর্কর সোরোখাইবম রাজেন অমসুং সোরোখাইবম সোমেননি হায়রি। শোক্লবশিং ঙরাং খূদক্তা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী তেন্থা মথক লৈকাই মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি চোংথাম সচিরানীনা ফোঙদোরকপদা য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অসি কোংগ্রেসকী ৱর্করশিংনা তৌরম্বনি হায়না যূম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফম ময়াম অমা সোসল মীদিয়াশিংদা শন্দোক্তুনা কনাগুম্বা খরনা পোলিটিক্সকী খূদোংচাবা লৌদুনা কোংগ্রেসপু লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। কোংগ্রেস পার্টিদি লাইনিং-লাইশোলদা মীচং-মীখাই নাইদবা ঈং-তপ্পা পামজবা পার্টিনি। থৌদোক অসি বি জে পিগী ৱর্করশিংনা মখোয় মায়থীরগনি খঙবদগী মীয়ামগী মীনুংশি ফংনবা বি জে পি ৱর্করশিংনা চথবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়খি। মতম খরগী মমাংদসু বি জে পিবু নুংশিজবী তেন্থাদা লৈবী হনুবী অমগী যূমদসু হেন্দ গ্রেনেদ থমজিল্লম্বগী থৌদোক লৈখিবা অদুসু হেন্না-হেন্না চিংনবা ফাওহল্লে। মসিগুম্বা বি জে পিগী ৱর্করশিংগী মথোং হুক্তবা থৌওংশিংবু কোংগ্রেস পার্টিনা য়াম্না কন্না য়ানিংদে হায়না সচিরানীনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### কোংগ্রেস মীরেপকী মীওইশিংদা অথিংবা পীরবসু অথিংবা পীখিবা লৈতে ফোঙদোরকপা লাইবক থিবনি : সী ঐচ বিরু

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস):

ৱাংখেম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা যুম্নাম নবচন্দ্রগী ৱর্করশিংনা মহাক্কী হোম পোল্লিং ওইরিবা হাওখা কিয়ামদা অতোপ্পা মীরেপকী মীওইশিং মরুওইনা কোংগ্রেসকী মীওইশিং চঙবদা অথিংবা পীদুনা লৈরি। মসিদা বি জে পিগী মীরেপ অসিগী ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা কনাগুম্বা অমত্তদা অথিংবা পীবা লৈতে হায়না মীদিয়াদা ফোঙলকপসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না ৱাংখেম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ বিরুনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ৱাংখেম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা বিরুনা মখা তারদুনা হায়, বি জে পি মীরেপ অসিগী হোম পোল্লিংদা লৈবা কোংগ্রেসকী ৱর্করশিংগী যূমদা বি জে পিগী ফিরাল য়ুংশিনবীবা, কিহন-খংহনবীবগী থৌওং কয়ামরুম চথুরি। অদুগা মখোয়না কনাগুম্বা অমত্তদা অয়েৎপা-অপনবা পীবা লৈতে হায়জরিবা মখোয়না হাওখা মমাংদা কোংগ্রেসকী কেম্প্যেন তৌরিঙৈদা থুগায়নবা চঙলকখি। মফমদুদা মীটিং তৌবা ফাওবদা ফিরাল ময়াম অমা থেৎপা য়ারোই হায়বগী অথিংবা ফাওবা পীখি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী কোংগ্রেস মীরেপকী মেঘচন্দ্রগী হোম পোল্লিংদা মীরেপ খূদিংমক্কী মীটিং তৌবা অমদি চঙলকপদা অথিংবা পীবা অমত্তা লৈখিদ্রি।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী কোংগ্রেস মীরেপতি নাকল অমত্তগী মীৎয়েং য়েংবা মীওইসু নত্তে। অদুবু বি জে পিগী মীরেপ অসিদি নাকল নাইবা ৱাঙাং শীজিন্নদুনা ঙসি ফাওবা ভোট খোল্লিবা অসিদি য়ানিংদে হায়রদুনা ৱর্করশিংগী যূমদা চঙদুনা কোংগ্রেসতা ভোট পীবা য়ারোই হায়না কিহন-খংহনবা য়াওরি। মসিগুম্বা অসি তৌবীগনু হায়খি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।